# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, FEBRUARY 17, 2020 PAGE 7




তরামাপলশুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ গী মেন’স সিঙ্গলস চহী ৪০ মথক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই সুভাসচন্দ্র



তরামাপলশুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯–২০ গী মেন’স সিঙ্গলস চহী ৪০ মথক্কী রন্নর্স অপ তাখ্রবা এল বিক্রম

## চেন্নাইন এফ সিনা এটলেটিকো দি কোলকটাবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



*কোলকটা, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেন্নাইন এফ সিনা এটলেটিকো দি কোলকটাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

কোলকটাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুবা ভারতি কৃয়াঙ্গন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌরকপদগী ভিজিটর টিম ওইরিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইলি সাবিয়ানা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট রাফেল কৃভেল্লারোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখিবদগী য়ুম্বু টিমএ টি কেগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ৫ ৱাৎলিঙৈদা গোল মাঙজিল থারিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এন্দ্রি স্কেন্ত্রীনা টিমমেট অনিরুধ থাপাগী মতেংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

চেন্নাইননা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট অমা লৈরগা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা য়াম্না অথুবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই রোই কৃষ্ণনা গোল অমা হন্দোকখ্রবসু ২–১ দা শোথরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। চেন্নাইনগী এটেকশিং অদু এ টি কেগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী গোল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা নেরিজস ভালস্কিসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা এটলেটিকো দি কোলকটাবু মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মঙাশুবা পোজিসন্দা হাইগৎতুনা প্লে ওফকী খুদোংচাবা ফংখ্রে।

## জোসুৱানা কিমি ৫ গী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে

*মোনাকো, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল এটলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা উগান্দাগী এঠলেট জোসুৱা চেপ্টেগৈনা নুপাগী কিলোমিটর ৫ গী লমজেলদা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

এটলেটিক্স মিট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কিলোমিটর ৫ গী লমজেলদা উগান্দাগী এঠলেট জোসুৱা চেপ্টেগৈনা মিনিট ১২ সেকেন্দ ৫১ দা পম্থুংফম য়ৌদুনা মিনিট ১৩ গী মখাদা চেন্দুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মিটর ১০,০০০ গী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী এঠলেট রোনেক্স কিপ্রতটোনা মমাঙদা থাদা স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ৫ গী লমজেলদা মিনিট ১৩ সেকেন্দ ১৮ দা চেনখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবনি।

রোনেক্স কিপ্রতটোনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি উগান্দাগী এঠলেট জোসুৱানা কিলোমিটর ৫ গী লমজেলদা মিনিট ১২ সেকেন্দ ৫১ দা পম্থুংফম য়ৌখিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স অসিনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, উগান্দাগী এঠলেট জোসুৱা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখি অদুবু ৮শুবা অমসুং ৬শুবা তাহৌখি।

## ক্লবশিংনা মতিক চাবা শান্নরোই পুথোক্লবা হোৎনসি ঃ খেমচান্দ





শেম্বীদুনা মতিক চাবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (এস এন এস)ঃ*
লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা ক্লবশিংনা মানা মানা কোল্লিবা মফমশিংদগী মতিক চাবা শান্নরোই পুথোকপা ঙমদবদগী টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়াবদা মপানগী শান্নরোইশিং লৈদুনা শান্নহনবসি নুংঙাইতে। মরম অদুনা ক্লবশিংনা অঙাংশিংবু মখোঙদগী শেম্বীদুনা মতিক চাবা পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্দো–বর্ম রোদ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (আই বি এস এ) না শীন্দুনা চহী ১৩ গী মখাদা লৈবা অঙাং নুপামচাশিংগী ওইনা জনুৱারি ১৯ দগী ফেব্রুৱারি ১৬ ফাওবা চথরকপা অহানবা গ্রাস রুট ফুটবোল কোচিং লোইশিনবগী থৌরম অমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুম্নাম লৈকাই য়ুমজাও লাইরেম্বী লম্পাক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, লমদম অসিগী ক্লবশিংনা য়াওশংগী স্পোর্টসনচিংবা শিনবা মতমদা মখল মথেল কয়াগী শান্নবগী এক্তিভিটিজ কয়া য়াওদবসি চৎনবী ওইনা তৌরে। ক্লব অমনা কোল্লিবা মফমদুদগী মতিক চাবা শান্নরোই পুথোকপা ঙমদবদগী মপানগী শান্নরোইশিং লৈদুনা অয়াম্বা শান্নহল্লিবসি নুংঙাইতে। ক্লবশিংনা কোচিং কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা মানা মানা কোল্লিবা মফমশিং অদুদগী হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু মখোঙদগী শেম্বীদুনা মতিক চাবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

মতম অমদা আই বি এস এ অসি লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরম্মী। অদুবু ঙসিগী ক্লব অসিগী মতিক ময়াই মাঙশিল্লক্লে। অদুবু হন্দক আই বি এস এনা কোচিং কেম্প পাঙথোক্তুনা নৌরিবা অঙাংশিংবু ত্রেনিং পীরিবসি মতাং অমগী আই বি এস এগী মতিক মগুনশিং অদু হঞ্জিল্লক্লবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। মখা তানসু অসিগুম্বা কোচিং কেম্প কয়া পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংসু মখোঙদগী হৌনা শেমসি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়নসু স্পীকরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখিবা আই বি এস এগী হান্নগী প্রেসিদেন্ট ডা. কেএসঐচ চৌরজিৎনা হায়খি, খুন্নাই অসিগী ঙসিগী নহারোলশিংনা মোরেল, লমচৎ–শাজৎ মাঙথরক্লিবসি নৈনহৌবা চুমগনি। ময়ায় কাবা চিঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নদুনা মশানা মশাবু মাঙহঞ্জরি। লোয়ননা পুং ২৪ চুপ্পা মোবাইল ফোনদা এদিক্ট চুদুনা লৈরগা করম্না মতিং লৈবা খুন্নাই অমা ওইনা ঙমগদৌরিবনো। মরম অসিনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী লমচৎ–শাজৎ চুমথোকহৌনবা অমদি খুন্নাই অসিগী অফবা তুংলমচৎ অমগীদমক মশা মউ ফনা লৈহন্নবা শান্ন–খোৎনবদা থৱাই য়াওহনবা মথৌ তাই হায়খি।

কেচিং কেম্প লোইশিংনবগী থৌরম অদুদা আই বি এস এগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. ৱাই ইবোপীশক, ক্লব অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইমোচা অমদি ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট এল চাওবসু শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা কোচিং কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই ১০০ দা থৌরমগী চীফ গেষ্টনা সার্টিফিকেটশিং খৃৎশিন্নখি। লোয়ননা কোচশিংদসু ক্লবকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল অমমমসু তমখি।

## জপাননা নুপী অদুগা ইন্দোনেসিয়ানা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*মানিলা, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
ফিলিপিন্সনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১১ দগী চথরকখিবা বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়ন্সিপ্তা জপানগী টিম্না নুপী অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী টিম্না নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা জপাননা সাউথ কোরিয়াবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ সিঙ্গলসতা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংবু ২১–১৮, ১৯–২১, ২৩–২১ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা মেটচ দবলসকী লম্বাদসু জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লি সো হি অমসুং সিন সিউং চানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা মেটচ ২–০ দা হেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইবগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

ফাইনেল টাই অসিগ অহুমশুবা মেটচ ওইরিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচতা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সুং জি হ্যুনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১২ দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল টাই অসি মেটচ ৩–০ দা য়াম্না লায়না মায় পাক্তুনা বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

বেদমিন্টন এসিয়া টিম চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী টিম্না মালেসিয়াবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপাগী ফাইনেল অসিগী অহানবা মেটচ সিঙ্গলসতা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনী সিনিসুকা গিন্টিংনা মালেসিয়াগী লি জি জিয়াবু ২২–২০, ২১–১৬ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ দবলসতসু ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোনা মালেসিয়াগী পেয়র অরোন চিয়া অমসুং সো ৱুই য়িকপু ২২–২০, ২১–১৬ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা মালেসিয়াগী চিম জুন ৱৈনা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন কৃষ্টিবু ২১–১৬, ১৭–২১, ২৪–২২ দা থোইবা ঙমখিবদগী মেটচ ১–২ দা শোথদুনা লৈখি।

ফাইনেল টাই অসিগী ৪শুবা মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মোহমদ অহসান অমসুং ফাজার অলফিয়াননা মালেসিয়াগী পেয়র ওং য়িউ সিন অমসুং টিও ই য়িবু ২১–১৮, ২১–১৭ দা থোইবা ঙমখিবদগী ইন্দোনেসিয়ানা মালেসিয়াবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী কাঙলূপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী টিম সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী মখূত্তা মেটচ ২–৩ দা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

## ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিম্না রোমানিয়াগী য়ু–১৭ টিমগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে



*টরক্কুর, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–১৭ ফিফা ৱুমেন’স ৱার্ল্ড কপকী শেম শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিম্না টর্কি টুরগী মনুং চন্না ঙসি রোমানিয়াগী য়ু–১৭ নুপী ফুটবোল টিমগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী অয়াম্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অঞ্জুনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট সুমতিনা ফিভম ফজনা লৈরিবা মেরিয়াম্মালদা খাইদোরকপদগী মেরিয়াম্মালনা গোল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ানা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা রোমানিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা বোরোদিনা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা গোল ১–১ দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৭শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সুনিতা মুন্দানা য়েৎথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা মেরিয়াম্মালনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী টিম্না অমুক হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৩শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমতি কুমারীনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেন্দুনা রোমানিয়াগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর অমা পীশিন্দুনা লাকখি।

গোল শোথরিবা রোমানিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক হেন্না কনশিল্লক্তুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৭৮শুবা মিনিটতা রোমানিয়াগী শান্নরোই মিরিয়া রোক্সানানা গোল অমা চন্দুনা শোথখিবা গোল অনীগী মনুংদা অমা হন্থহনবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিলক্লবা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনিটতা গোল শোথরিবা রোমানিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা বোরোদি এদিনানা গোল অমা চনশিনবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়া অমসুং রোমানিয়াগী অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নরগনি।

## ফ্রান্সকী মোনফিলসনা রোট্টরদামগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*রোট্টরদাম, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
নেদরলেন্দসকী সিটি রোট্টরদামদা চথরকখিবা এমরো ৱার্ল্ড টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা টাইটল লৌখ্রে।

এমরো ৱার্ল্ড টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা কানাদাগী ফেলিক্স ঔগর এলিয়াসিমবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা সেটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই গেল মোনফিলসনা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা কানাদাগী ফেলিক্স ঔগর এলিয়াসিমগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা সেট অমা শোথরিবা কানাদাগী ফেলিক্সনা লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু ফ্রান্সকী গেল মোলনফিলসনা ফেলিক্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

এমরো ৱার্ল্ড টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ ফ্রান্সকী পেয়র হেনরি কোন্টিনেন অমসুং নিকোলাস মাহুটনা ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমসুং জর্মনিগী জান লেন্নার্দ ষ্ট্রুফপু ৭–৬(৭–৫), ৪–৬, ১০–৭ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## তেম্থা এফ সিনা য়ং বোইজপু অমদি জুপসোনা নেসুবু মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (এস এন এস)ঃ*
জেক এফ সি অংথানা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী টিম ২০ না গ্রুপ ৬ থোক্না খাইদোক্তুনা লাইট য়ুঠ ক্লব গ্রাউন্দ অংথাদা চথরিবা ৬শুবা ধনবির ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ভিলেজ ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা তেম্থা এফ সি অমদি জুপসো মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা তেম্থা এফ সি অমদি য়ং বোইজ সঙ্গাইয়ুম্ফম্না শান্নখিবা মেটচতা তেম্থা এফ সিনা য়ং বোইজ সঙ্গাইয়ুফমবু য়াম্না লাকচনা গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা তেম্থা এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এম সৈত্যবাহোননা মিনিট ১০, জর্সি নম্বর ৭ রোমারিওনা মিনিট ২৬, ২৭ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ টি ইন্দ্রজিৎনা মিনিট ২৯ অমদি জর্সি নম্বর ৫ এন গান্ধীনা মিনিট ৩৪ অমদি ৩৭ দা চনখি।

৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা জুপসো অমদি নেসুনা শান্নখিবা মেটচতা জুপসোনা নেসুবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা জুপসোগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ কেঐচ দয়ানরবিনা মিনিট ১৫, ৩০ অমদি ৩৮ দা চনখি। মায়থিরবা নেসুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এম দিনৱাজ সরিফনা মিনিট ১৪ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা জুপসোগী জর্সি নম্বর ১ যোগেসতা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ক্রোসৱার্দ ৪৩১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | P | A | L | S | ■ | A | C | R | E | ■ | A | C | M | E |
| R | E | L | E | T | ■ | S | H | O | O | ■ | L | O | I | S |
| A | S | P | I | R | A | T | I | O | N | ■ | M | A | S | S |
| L | O | S | ■ | E | R | E | C | T | S | ■ | A | S | E | A |
| ■ | ■ | ■ | L | A | I | R | ■ | ■ | ■ | E | N | T | R | Y |
| P | A | N | A | M | A | ■ | O | P | E | R | A | ■ | ■ | ■ |
| I | C | E | D | ■ | ■ | A | M | E | R | I | C | A | N | S |
| E | N | S | ■ | F | O | R | E | S | E | E | ■ | T | E | E |
| R | E | S | I | L | I | E | N | T | ■ | ■ | M | O | R | E |
| ■ | ■ | ■ | G | A | L | A | S | ■ | T | R | I | P | O | D |
| U | S | I | N | G | ■ | ■ | ■ | S | H | E | A | ■ | ■ | ■ |
| S | U | M | O | ■ | K | O | R | E | A | N | ■ | E | G | G |
| H | E | A | R | ■ | U | N | S | U | I | T | A | B | L | E |
| E | D | G | E | ■ | R | E | V | S | ■ | A | L | B | U | M |
| R | E | E | D | ■ | T | S | P | S | ■ | L | I | S | T | S |




6th
Happy Birthday
to
Ningthoujam Marveen Singh
S/o
Ningthoujam Maheshkumar
&
Thingom Victoria
on
17th Feb. 2020

Best wishes from,
Papa, Mama, Family & Relatives

SL/B/17


## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা লিভরপুল মায় পাকখ্রে, ইটালিগী সেরি এদা অটলান্টানা রোমাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে





*লন্দন। রোম, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৬শুবা লীগ মেটচতা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা লিভরপুলনা নোরৱিস সিটিবু ১–০ দা থোইখ্রে, ইটালিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা রোমাবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লিভরপুল অমসুং নোরৱিস সিটিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌবদগী টিম অনীগী ময়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জোরদান হেন্দরসননা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট সাদিও মানেনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্কনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী পুন্না পোইন্ট ২৫ হেন্দুনা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।

ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ২৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অটলান্টা অমসুং রোমা লম্বা তৌনখি। মেটচকী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা রোমানাগী শান্নরোই ইদিন জেকোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা অটলান্টাগী শান্নরোই জোস লুইস পালোমিনোনা টিমমেট বেরাট জিমসিটিগী মতেংনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা অটলান্টাগী শান্নরোই মারিও পেসালিকনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

সেরি এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা জেনোৱানা বোলোগনাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী ২৮শুবা মিনিটতা জেনোৱাগী শান্নরোই এদামা সৌমাওরোনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। মেটচকী ৪৪শুবা মিনিটতা জেনোৱাগী অতোপপা শান্নরোই এন্টোনিও সামাব্রিয়ানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী অরোইবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা জেনোৱানা ফংখিবা পেনাল্টিদা টিম অসিগী শান্নরোই দোমেনিকো কৃসসিটোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৩–০ দা মায় পাকপা ঙমখি।

স্পেনগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সিভিলা অমসুং ইস্পানিওল গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে। শান্নবগী ১৫শুবা মিনিটতা সিভিলাগী শান্নরোই লুকাস ওকাম্পোসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই এদ্রি ইম্বারবানা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই ৱু লৈনা গোল অমা চন্দুনা অমুক মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৮০শুবা মিনিটতা সিভিলাগী শান্নরোই সুসোনা টিমমেট লুকাস ওকেম্পসকী মতেংনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি গোল ২–২ দা মান্নরগা লোইশিনখি। অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা গ্রানাদানা রিয়েল ভাল্লাদোলিদবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।